# গভর্নরস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্টতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা নুপীগী অমদি এক্স পোলো ক্লবনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল,মার্চ ১৯ঃ

মণিপুর হোরর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী নুপাগী টিম ৮ অমদি নুপীগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুং দা চথিরকপা ২৯ শুবা গভরর্নস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা ওইখ্রে অমশুং ১৮ শুবা গভর্নরস কপ ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা ওইখ্রে।

১৮ শুবা গভর্নরস কপ ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব কোংপালবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৪ এল লাংলেননা মিনট ৫.২৯ দা পাঞ্জল অমা,অনীশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ কে ঐচ হাবেনা মিনট ৫.০১ দা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা চক্র অনী লোয়বা ফাওবদা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদুনা অহুমশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ কে ঐচ হাবেনা মিনট ০.২৮ অমদি জর্সি নম্বর ১ এ রোমাবটিনা মিনট ১.০৫ দা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনল্লগা মেটচ অসি মায় পাকখিবনি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ২৯ শুবা গভরর্নস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব কোংপালবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ পি ওজিৎনা মিনট ১.১৪,৫.৩০,৬.৪৭ দা পাঞ্জল অহুম, জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ জেকোবনা মিনট ১.৫৮তা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা চক্রদা পাঞ্জল মরি অদুগা অতাপ্পা গোল অমা অদুনা অহুমশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ জেকোবনা মিনট ১.০২ দা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৫ চনখি।

মায়থিরবা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব কোংপালগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ লৈশেম্বা তখেলবমনা মিনট ২.৫১,জর্সি নম্বর ৪ পি জোটিননা মিনট ৩.৪৩ অমদি অনীশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ কাউবনা মিনট ২.১৭ দা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৩ চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নুপাগী টিমদা লুপা লিশিং ৫০,০০০গা লোয়ন্ননা ট্রোফি, রন্নর্স অপ টিমদা লুপা লিশিং ৩০,০০০গা লোয়ন্ননা ট্রোফি অমদি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবা টিমশিংদা লুপা লিশিং ৩গী মনা খুৎশিন্নখি।

নুপীগী চেম্ফিয়ন ওইখ্রবা টিমদা লুপা লিশিং ২০,০০০গা লোয়ন্ননা ট্রোফি,রন্নর্স অপ টিমদা লুপা লিশিং ১৫,০০০ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি সেমি ফাইনেল চঙখিবা টিমশিংদা লুপা লিশিং ১০,০০০গী মনা খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগা মরি লৈন্ননা অহন ওইরবা পোলো শান্নরোই ৱাহেং খুমনদগী য়ুম্নাম জিলা সিংহ অমদি ময়াং ইম্ফালদগী খেক্সিময়ুম জয় কুমার সিংহদা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ন্ননা লুপা লিশিং ১০,০০০ খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী গর্ভরন ডাঃ নাজমা হেপতুলানা চীফ গেষ্ট,মণিপুর হোরর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টঐচ দিল্লিপ সিংহ(আই এ এস) না প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুর হোরর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী এদভাইজর এস বুধাচন্দ্রা সিংহ(রিটিয়াদ আই এ এস)না গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# অহুমশুবা ৱাই দি সি ফুটবোল ট্রোফি ২০১৯ অঙথা এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৯ঃ

য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি)য়াইরিপোক খোয়রোম্না শিন্দুনা য়াইরিপোক খোয়রোম কাঙজৈবুং দা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দি সি (এ) অমদি তোপ এফ সি ড্রো চৎখ্রে। অতোপা মেটচ অমদনা উরুপ অরাপটি এফ সি মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱাই দি সি(এ) অমদি তোপ এফ সি গোল ২–২ দা ড্রো চৎখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা তোপ এফ সিনা বোল হেন্না পায়দুনা ৱাই দি সি (এ)গী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথুদুনা অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা শান্নখি।

টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১২ টি ঐচ সন্তোসনা মিনট ১১ চৎপদা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটশিংদসু তোপ এফ সিনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা মিনট ২৮ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ এস অনন্দনা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

শোথরিবা গোল অদু ৱাই দি সি(এ)গী জর্সি নম্বর ১০ এস গোবিচন্দ্রানা মিনট ৩৭ চৎপদা পেনালটিদা গোল অমা হন্দোক্তুনা ২–১ দা লৈখি।

ৱাই দি সি(এ)না গোল হন্দাক্লবা হোৎন্নবা লেপত্না শান্নবগী মহে অদু ফংদুনা মিনট ৪৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ এস তোম্বনা গোল অমগা হন্দোক্তুনা মেটচ অসি ২–২ দা ড্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা তোপ এফ সিগী বিশ্বোরজিৎ,মানিস অমদি ৱাই দি সি(এ)গী কে ঐচ হেম্বাদা রেফ্রিনা ফাউল শান্নবগী য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা অঙথা এফ সিনা উরুপ আরপটি এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা অঙথা এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ এস মাইকেলনা মিনট ১৪,অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ কে ঙাম্থোইনা মিনট ২৫ অমদি জর্সি নম্বর ১১ কে বিকিনা মিনট ৪২ দা গোল অমমম চন্দুনা পুন্না গোল ৩ অদু চনখি।

মায়থিরবা উরুপ আরাপটি এফ সিগী গোল অদু অনীশুবা হাল্খফতা জর্সি নম্বর ১৫ রোমরিয়োনা মিনট ৩৫ চৎপদা চনখি।

# কুনহুমদোইশুবা ৱিন্নর্স কপতা এম পি এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ৯ না নোর্ক অউট অমদি হোম এন্দ এৱে বেসিক্তা চথগদবা ২৩ শুবা থাংজম বিরচন্দ্রা মাইপাকপি মেমোরিয়েল ৱিন্নরর্স কপ ফোর মেন ২০১৯গী ঙসি থোমস গ্রাউন্দ কাংপোকপিদা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা জে এস ৱাই সি সদর হিলসপু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এম পি এস সি ইম্ফাল ৱেষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুমা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৮ এল ইন্নিলনা মিনট ৫৮ দা চনখি।

মেটচ অসিদা জে এস ৱাই সিগী লুনজিনথাং,এম পি এস সিগী রিশিকি অমদি বোবোইসনাদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি দব্লিউ স্প্রিংসন,এল হরিমোহন,এম ইনাও অমদি এন অমরজিৎনা মথংশিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি। হয়েংগী মেটচতা জি এস সি অমদি কে দি সিগা শানগনি।

# অনীশুবা খুরাইজম ওংবী নুপীমচা মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল,মার্চ ১৯ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা তেরা অচৌবা জিম এসোসিয়েসন য়ুম্নাম হুইদ্রোম,থিয়াম লৈশাংখোঙনা শিন্দুনা তেরা মখোং লম্পাক্তা থা অসিগী ১৭ তগী টিম ৭ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা অনীশুবা খুরাইজম ওংবী নুপীমচা দেবী নিংশিং মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম পি এস সি,এ আর সি অমদি এন ৱাই ভি এ মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা এম পি এস সিনা আই জি ও ওইনামবু সেট ৩–১ দামায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা এম পি এস সিনা পোইন্ট ২২–২৫,২৫–১৭,২৫–১৭,২৫–১৬ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা এ আর সি অসাম রিজিমেন্টেল সেন্টরনা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা এ আর সিনা পোইন্ট ২৫–১৭,২৩–২৫,২৫–২১,২৫–২৩ স্কোর তৌখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা আই জি ও ওইনামবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা এন ৱাই ভি এনা পোইন্ট ২০–২৫,২৫–২২,২৫–২২,২৫–১৬ স্কোর তৌখি।




# তরেৎশুবা এম ভি সি এ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ চেম্প অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল,মার্চ ১৯ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম ভি সি এ) না শীন্দুনা লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৭না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী ২৮ দগী চথরকলিবা তরেৎশুবা এম ভি সি এ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা চেম্প খাগেম্পলি অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাক্তুনা ফাইনেলগীদমক থা অসিগী ২০ দা লম্বা তৌন্নরগনি।

ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চেম্প খাগেম্পালিনা নম্পা খা–ইম্ফালবু রন ১১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা চেম্প খাগেম্পালিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৫ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা নম্পা খা–ইম্ফালনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২৪ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ১১ দা মায়থিবা নংখি।

অহানবা বেট্টিং পায়খিবা চেম্পকী জোথিবানা বোল ৪৬ দা রন ৫২,ইবোবিনা বোল ৪৩ দা রন ৪১ অমদি রতননা বোল ১৪ দা রন ২৬ লৌখি।

ইন্নিংস অসিগী নম্পাগী বোল্লিং দা বোগেন্দ্রোনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২,সাইমন অমদি গৌতমনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং পায়খিবা নম্পাগী সোমেন্দ্রোনা বোল ৪৪ দা রন ২৫,বোগেন্দ্রোনা বোল ১১ দা রন ১৯ অমদি রতননা বোল ২০ দা রন ১৮ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা চেম্পগী রন ৫২ লৌখিবা জোথিবনা তাখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা এল সি সি সি চজিংবু রন ৩৫ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগভা রন ১৫২ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা এল সি সি সি চজিংনা ওভর ১৮.৫ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১১৭ লৌদুনা মেটচ অসি রন ৩৫ দা মায়থিবা নঙখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা সমানন্দনা নোট আউটদা বোল ৪৪ দা রন ৮৬,মনাওবিনা বোল ২৪ দা রন ২৮ অমদি গোজেন্দ্রোনা রন ১৯ লৌখি।

এল সি সি সিচজিংগী বোল্লিংদা ইকবাল অমদি সঞ্জিৎনা ৱিকেট ২ / ২,জিল্লাঙম্বা অমদি প্রতাপসু ৱিকেট অমমম লৌখি।

এল সি সি সি গী বেট্টিংদা কৃষ্ণকুমারনা রন ২৬,রাকেস অমদি ইকবালনা রন ১৮ / ১৮ লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিংদা কুমারজিৎনা ৱিকেট ৪,প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ৩ ,সাসিনা ৱিকেট ২ অমসুং সমানন্দনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী ৱিকেট ১ অমদি রন ৮৬ লৌখিবা সমানন্দনা তাখি।

# অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অপুনবা এফ সি অমদি ঙাইরাংবম এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,মার্চ ১৮ঃ

পার্টসোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবনা শিন্দুনা পার্টসোই পার্ট–৩ ফুটবোল গ্রাউন্দা টিম ২১ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী চথরকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অপুনবা এফ সি সগোলবন্দ অমদি ঙাইরাংবম এফ সি মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা লনচেম্বি এফ সি অমদি এ২ (এ) পার্টসোই ড্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচশিংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা অপুনবা এফ সিনা পি টি সি সি (বি)বু গোল৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা অপুনবা এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২৩ রুপানা মিনট ৯ দা গোল ১ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল শিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ অকাননা মিনট ৩১ অমদি জর্সি নম্বর ৭ লানশিঙমনা মিনট ৩৫ দা গোল অনী অমগা হাপচিন্দুনা পুন্না গোল ৩ চনখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা ঙাইরাংবম এফ সিনা এ২(বি)বু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ঙাসরাংবম এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ এম ওকেননা মিনট ১০ অমদি ১৪ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল অমাদুনা অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা জর্সি নম্বর ১১ পিটরনা চনখি।

মায়থিরবা এ২(বি)গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফতা জসি নম্বর ১২ অপুনা মিনট ২৪ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রআউন্দা লনচেম্বি এফ সি অমদি এ২(এ) গোল ৫–৫ দা ড্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লনচেম্বি এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৩ মহেসনা মিনট ১৪ ,জর্সি নম্বর ২ রোসননা মিনট ২৪,অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা জর্সি নম্বর ২ রোসননা মিনট ২৬ অমদি জর্সি নম্বর ৭ হেরোজিৎনা মিনট ৩০ অমদি ৫০ প্লস ২ দা চনখি।

এ২(এ)গী গোলশিং অদুনা প্রাবিননা মিনট ২৫,জেরিনা মিনট ২৫ প্লস ১, চাউবনা মিনট ৪২ অমদি ইমরাননা মিনট ৩৪ অমসুং ৪৭ দা চনখি।

# অহানবা থৌবাল ৱান দে লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট সি এ এল অমদি টি ক্যু সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,মার্চ ১৪ ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনা শিন্দুনা থৌবাল মোইজিং প্লে গ্রাউন্দা টিম ৬ না নোক আউট বেসিক্তা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১১ দগী চথরকপা অহানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱান দে লীগ কম নোর্ক আউট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সি এ এল মসাজিদ রোদ অমদি টি ক্যু সি মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা মেটচতা সি এ এল মসজিদ রোদনা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমবু রন ১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা দব্লিউ ৱাই সিনা তোচ ঙমদুনা বোল্লিং হানা খনখি।

অহানবা বেট্টিং পায়খিবা সি এ এলনা ওভর ২৫ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪৫ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা দব্লিউ ৱাই সি না ওভর ২৫ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৪৪ লৌদুনা রন ১ দা মায়থিবা নংখি।

সি এ এলগী বেট্টিংদা সদামনা বোল ৫৭ দা রন ৭৫,হমজনা বোল ২২ দা রন ১৬ অমদি রিয়াসনা বোল ২২ দা রন ২১ লৌখি।

দব্লিউ ৱাই সিগী বোল্লিংদা তোম্বনা ৱিকেট ২,মঙ্গি অমদি রাজেসনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

দব্লিউ ৱাই সিগী বেট্টিংদা বিটেশ্বোরনা বোল ৪৩ দা রন ৪৪ ,সমুঙৌনা বোল ৩৪ দা রন ৩০ অমদি হেরোকুমারনা বোল ১৬ দা রন ১৫ লৌখি।

সি এ এলগী বোল্লিংদা জনাটনা ৱিকেট ২,হুংজা অমদি রাজকনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সি এ এলগী রন ৭৫ লৌখিবা সদামনা তাখি।

নুংথিল শান্নখিবা মেটচতনা টি ক্যু সিনা এল সি আই সিবু রন ৩৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা টি ক্যু সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ২৫ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৪ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা এল সি আই সিনা ওভর ২০.৫ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৬ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৩৮ দা মায়থিখি।

টি ক্যু সিগী বেট্টিংদা বাবোইনা বোল ৫৭ দা রন ৪৩,মিলননা বোল ২৭ দা রন ৩১,ননাওনা বোল ১০ দা রন ১৫ অমদি সাজিৎনা রন ১২ লৌখি।

এল সি আই সিগী বোল্লিংদা অবাসনা ৱিকেট ৪,দেনেলনা ৱিকেট ২ অমদি প্রাকাসনা ৱিকেট ১ লৌখি।

এল সি আই সিগী বেট্টিংদা দেনেলনা বোল ২৮ দা রন ২০ অমদি সবিরনা বোল ৩৩ দা রন ২০ লৌখি।

টি ক্যু সিগী বোল্লিংদা স্যামসননা ৱিকেট ৫,সোনামনি অমদি মিলননা ৱিকেট ২ ।২ লৌখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটঠচনা টি ক্যু সিগী ৱিকেট ৫ লৌখিবা স্যামসননা তাখি। হয়েংগী মেটচতা এল সি আই সি অমদি অল অমিনগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতনা টি ক্যু সি অমদি ঐচ সিসিগা শান্নগনি।

# অহানবা দব্লিউ দি ৱাই সি ট্রোফি ২০১৯ আর এফ এস মালোম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ১৯ঃ

দি ৱেষ্ট দিভলপমেন্ট য়ুঠ ক্লব লমদেং খুনৌনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ দগী দব্লিউ দি ৱাই সি গ্রাউন্দ লমদেং খুনৌ(লমশাং)দা টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা দব্লিউ দি ৱাই সি ট্রোফি ষ্টেট লেভেল য়ু–১৩ (বোইজ)ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচতা আর এফ এস মালোমনা এম এল ৱাই এল সি ময়াং লাঙজিংবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৫ চৎপদা আর এফ এস মালোমগী জর্সি নম্বর ১০ এল ভারতনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু আর এফ এসনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নবগী মহে অদু ফংদুনা মিনট ৫৫ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ ঐচ রিসিকন্তানা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল শোথরিবা এম এল ৱাই সি ময়াংলাঙজিংনা গোল অমত্তা হন্দাকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি আর এফ এস মালোমগী মখুৎতা ২–০ দা মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা এম এল ৱাই এল সিগী জর্সি নম্বর ৬ থেন্তাও অমদি মায় পাক্লবা আর এফ এস মালোমগী জর্সি নম্বর ৪ কে ঐচ লানঙম্বদা রেফ্রিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি কে রঞ্জিৎ সিংহ,কে ঐচ রঞ্জিৎ সিংহ,কে ইবোতোম্বি মৈতৈ অমদি আই ইবোমচা সিংহনা মথংশিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা য়ু দি সি হৌরাং সাবল অমদি পি ৱাই এ লমশাং বজারগা শান্নরগনি।

অনীশুবা মেটচতনা এম টি এঢ অমদি ক্রিপসা(বি)গা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*